

# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, MONDAY, APRIL 01, 2019 PAGE 7

চথরিবা ইন্দিয়ান প্রেমিয়র লীগ অসিদা খ্বাইদগী নহা ওইবা শান্নরোই ওইরিবা রোয়েল চেলেঞ্জর্স বেঙ্গলোরদা শান্নরিবা প্রায়াস রে বরমন

ইন্দিয়ান ওপন বেদমিন্টন চেম্পিয়ন্সিপকী নুপাগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা মায়থিহৌদুনা রন্নর্স অপ তাহৌরবা কিদম্বী স্রিকান্থ



## বেয়রষ্টো অমদি ৱার্নরগী সেঞ্চুরিনা সনরাইজর্স হায়দরবাদনা রোয়েল চেলেঞ্জর্স বেঙ্গলোরবু রন ১১৮ দা মায়থিবা পীখ্রে

IPL 2019



*হায়দরবাদ, মার্চ ৩১ঃ*

ইন্দিয়ান প্রেমিয়র লীগকী ঙসি হায়দরবাদনা য়ুম্ভু ওইদুনা শান্নখিবা ১১শুবা মেটচতা সনরাইজর্স হায়দরবাদগী জোন্নী বেয়রষ্টো অমদি দেবিদ ৱার্নরগী সেঞ্চুরিনা রোয়েল চেলেঞ্জর্স বেঙ্গলোরবু রন ১১৮ দা চাওনা মায়থিবা পীখ্রে।

ঙসিগী মেটচ অদুগী টোস রোয়েল চেলেঞ্জর্স বেঙ্গলোরনা ঙমদুনা ফিল্ডিং হান্না তৌখি। সনরাইজর্স হায়দরবাদনা বেট্টিং হান্না তৌরকপদা অপীবা ওভর ২০ দা ৱিকেট ২ খক তুরগা রন ২৩১ লৌখি।

সনরাইজর্সকী ইন্নিংস অসিদা ওপনর ওইখিবা জোন্নী বেয়রষ্টো অমদি দেবিদ ৱার্নরনা বেঙ্গালোরগী বোল্লরশিং অদুবু নীংথিনা মায়োক্নবা ঙমদুনা অহানবা ৱিকেট পার্টনর্সিপ্তা রন ১৮৫ লৌবা ঙমখি।

ওপনর জোন্নী বেয়রষ্টো বোল ৫৬ মায়োক্নবদা সিক্স ৭ অমদি ফোর ১২ য়ৈরগা রন ১১৪ লৌরন্নগা আওট ওইখি। মখা তানা চঙলকখিবা অতোপ্পা বেটসমেন অনী মপুং ফানা রন লৌবা ঙমখিদ্রবসু অতোপ্পা ওপনর দেবিদ ৱার্নরনা বোল ৫৫ মায়োক্নবদা সিক্স ৫ অমদি ফোর ৫ য়ৈরগা আওট ওইদনা রন ১০০ লৌরম্বা অদুনা টিম অদুগী অপুনবা স্কোর অদু রন ২৩১ য়ৌখিবনি।

রোয়েল চেলেঞ্জর্স বেঙ্গালোরনা মায় পাক্নবগী রন ২৩২ লৌবগী টার্গেট লৈখিবা অদু ২০শুবা ওভরগী ৫শুবা বোলদা ৱিকেট ১০ মক আওট ওইদুনা মেটচ অদু রন ১১৮ দা মায়থিহৌখি।

বেঙ্গালোরগী ইন্নিংস অদুদা ৭শুবা বেটসমেন ওইনা চঙলকখিবা কোলিন দি গ্রান্দোমেনা বোল ৩২ মায়োক্নবদা সিক্স ২ অমদি ফোর ৩ য়ৈরগা রন ৩৭ লৌরম্বা অদুনা ইন্নিংস অসিগী খ্বাইদগী ফজবা স্কোর ওইখি। অতোপ্পা বেটসমেন অমত্তা রন ২০ য়ৌবা ঙমখিদে।

সনরাইজর্স হায়দরবাদকী বোল্লিংদা মোহমদ নাবীনা রোয়েল চেলেঞ্জর্স বেঙ্গলোরগী ৱিকেট ৪ লৌবা ঙমদুনা খ্বাইদগী ফজবা বোল্লর ওইখি। টিম অসিগী অতোপ্পা বোল্লর সন্দিপ শর্ম্মসু বেঙ্গলোরগী বেটসমেন ৩ আওট তাহনখি।

## ওষ্ট্রেলিয়াগী বার্টিনা মীয়ামী ওপনগী নুপীগী সিঙ্গলস টাইটল অহানবা ওইনা ফংখ্রে, নুপাগী দবলসকী টাইটলনা বোব অমদি মাইকনা লৌখ্রে

*মীয়ামী, মার্চ ৩১ঃ*

য়ু এস এগী ষ্টেট ফ্লোরিদাদা লৈবা সিটি মীয়ামী গার্দেনদা চথরিবা মীয়ামী ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপীগী সিঙ্গলস টাইটল ওষ্ট্রেলিয়াগী এসলি বার্টিনা অহানবা ওইনা ফংখ্রে, নুপাগী দবলসকী টাইটলনা য়ুএসকী পেয়র বোব ব্রাইন অমদি মাইক ব্রাইননা লৌখ্রে।



মীয়ামী ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলস ফাইনেল মেটচতা ১২শুবা সিদেদ ওষ্ট্রেলিয়াগী এলিস বার্টিনা ৫শুবা সিদেদ জেক রিপব্লিক্কী কেরোলিনা প্লিজকোভাবু ষ্ট্রেট সেটতা মায়থিবা পীরম্লগা টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা টাইটল লৌবা ঙমখি।

নীংশিংবা য়াই টুর্নামেন্ট অসিগী মমাঙদা শান্নখিবা অহানবা সেমি ফাইনেলদা ওষ্ট্রেলিয়াগী এলিস বার্টিনা ইষ্টোনিয়াগী এন্নেট কোন্টাভিয়েটপু ৬–৩, ৬–৩ দা মায়থিবা পীরম্বনি। অদুগা অতোপ্পা সেমি ফাইনেল মেটচ অমদা জেক রিপব্লিক্কী কেরোলিনা প্লিজকোভানা রোমানিয়াগী সাইমোনা হালেপপু ৭–৫, ৬–১ দা থোইরম্বনি।

ফাইনেল মেটচ অসিগী অহানবা সেটতা শান্নরোই অনীমক য়াম্না অকনবা লম্বা মায়োক্নরকপদগী টাই ব্রেক্তা বার্টিনা প্লিজকোভাবু ৭–৬(৭–১) দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাখি।

ফাইনেল মেটচ অসিদা সেট অমা মাঙজিল থারিবী ওষ্ট্রেলিয়াগী এসলি বার্টিনা অনীশুবা সেট অদুদা য়াম্না ফজনা শান্নরকপদগী জেক রিপব্লিক্কী কেরোলিনা প্লিজকোভাগী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌরগা ৬–৩ দা থোইদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলস টাইটল অহানবা ওইনা লৌবা ঙমখি।

মীয়ামী ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী দবলসকী ফাইনেলদা ৩শুবা সিদেদ য়ুএসকী পেয়র বোব ব্রাইন অমদি মাইক ব্রাইননা নেদরলেন্দসকী ৱেসলি কুলহোফ অমদি গ্রিসকী ষ্টেফানোস সিটসিপাসপু ষ্ট্রেট সেটতা মায়থিবা পীরম্লগা টাইটল লৌখি।

অহানবা সেট য়ুএসকী পেয়র বোব অমদি মাইকনা ৭–৫ দা থোইদুনা নেদরলেন্দসকী ৱেসলি অমদি গ্রিসকী সিটসিপাসপু টাই ব্রেক সেট অমদা য়াম্না অকনবা লম্বা মায়োক্নরবা মতুং ৭–৬(১০–৮) দা থোইরম্লগা টাইটল লৌখি।

মীয়ামী ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা স্বিটজরলেন্দগী রোজর ফেদরর অমদি য়ুএসকী জোন ইসনরনা ঙসি অথেংবদা লম্বা তৌনরগনি।

অদুগা নুপীগী দবলসকী ফাইনেলদা বেলজিয়মগী এলিজ মার্টেন্স অমদি বেলারসকী এরিনা সবালেনকানা ওষ্ট্রেলিয়াগী সমান্থা ষ্টোসুর অমদি চাইনাগী ঝাং স্বাইনগা লম্বা তৌনরগনি।

## এজেলসেননা স্রিকান্থ মায়থিবা পীরম্লগা ইন্দিয়ান ওপনগী নুপাগী সিঙ্গলস টাইটল লৌখ্রে, নুপীগী সিঙ্গলস টাইটলনা থাইলেন্দগী রাটচানোকনা ফংখ্রে





*ন্যু দিল্লি, মার্চ ৩১ঃ*

লৈবাক অসিগী কোনুং ন্যু দিল্লিদা চথরকপদা ইন্দিয়ান ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলস ফাইনেল মেটচতা দেনমার্ককী ভিক্তর এজেলসেননা ইন্দিয়াগী সট্লর কিদম্বী স্রিকান্থপু ষ্ট্রেট গেমদা মায়থিবা পীরম্লগা টাইটল লৌখ্রে, নুপীগী সিঙ্গলস টাইযলনা থাইলেন্দগী রাটচানোক ইন্টানোননা ফংখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলস ফাইনেল মেটচকী অহানবা গেমদা মমাঙদা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ওইরম্লবা দেনমার্ককী ভিক্তর এজেলসেননা ইন্দিয়াগী শান্নরোই কিদম্বী স্রিকান্থপু য়াম্না লায়না পোইন্ট ২১–৭ দা থোইদুনা গেম অমা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা গেমদা ইন্দিয়াগী কিদম্বী স্রিকান্থনা দেনমার্ককী ভিক্তর এজেলসেনবু য়াম্না কন্না লম্বা পীদুনা শান্নরকপদগী শান্নরোই অনীমক পোইন্ট ২০–২০ দা মান্নদুনা লৈখি।

মখা তানা শান্নরকপদা থংনবা পোইন্ট অনী এক্সপরিয়েন্স হেল্লবা দেনমার্ককী ভিক্তর এজেলসেননা ইন্দিয়াগী কিদম্বী স্রিকান্থতগী মুনখিবদগী গেম অদু ২২–২০ দা থোইরম্লগা নুপাগী সিঙ্গলস টাইটল লৌখি।

ইন্দিয়ান ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলস ফাইনেল মেটচতা ৪শুবা সিদেদ থাইলেন্দগী রাটচানোক ইন্টানোননা ৩শুবা সিদেদ চাইনাগী হি বিংজিয়াওবু ষ্ট্রেট গেমদা থোইরম্লগা চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখি।

ফাইনেল মেটচ অসিগী অহানবা গেমদগী হৌরগা থাইলেন্দগী ইন্টানোননা ফজবা হেনখিবদগী ২১–১৫ দা চাইনাগী বিংজিয়াওদগী হেনখিদুনা গেম অমা মাঙজিল থাখি। অনীশুবা গেমদসু থাইলেন্দগী রাটচানোক ইন্টানোনগী মায়কৈদগী য়াম্না ফজনা শান্নরক্তুনা গেম অদুসু য়াম্না লায়না ২১–১৪ দা মায় পাক্তুনা নুপীগী সিঙ্গলস টাইটল লৌবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী দবলসকী ফাইনেলদা চাইনিজ তাইপৈগী পেয়র লি য়াং অমদি ৱাং চি লিননা ইন্দোনেসিয়াগী পেয়র রিক্কী কারান্দা অমদি অঙ্গা প্রাটামাবু ২১–১৪, ২১–১৪ দা মায়থিবা পীরম্লগা টাইটল ফংখি।

নুপীগী দবলসকী ফাইনেল মেটচতা নম্বর ৱান সিদেদ পেয়র ইন্দোনেসিয়াগী গ্রেসিয়া পোলি অমদি এপ্রিয়ানি রাহায়ুনা ৩শুবা সিদেদ পেয়র মালেসিয়াগী চৌ মৈ কুৱান অমদি লি মেং য়িনবু ষ্ট্রেট গেম ২১–১১, ২৫–২৩ দা মায়থিবা পীরম্লগা কাঙলূপ অসিগী চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখি।

ইন্দিয়ান ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা মিক্স দবলসকী ফাইনেল মেটচতা অহানবা সিদেদ পেয়র চাইনাগী ৱাং য়িলু অমদি হুৱাং দোংপিংনা ৫শুবা সিদেদ পেয়র ইন্দোনেসিয়াগী প্রাভিন জোরদান অমদি মেলাটি দেভাবু ষ্ট্রেট গেম ২১–১৩, ২১–১১ দা মায়থিবা পীরম্লগা টাইটল লৌখি।

## ষ্ট্রাসবর্গনা গুইনগেম্পপু পেনাল্টি সুট আওটতা পাঞ্জল ৪–১ দা মায়থিবা পীরম্লগা ফ্রান্সকী ফুটবোল টুর্নামেন্ট লীগ কপকী চেম্পিয়ন ওইখ্রে

*লীলে (ফ্রান্স), মার্চ ৩১ঃ*

ফ্রান্সকী নেসনেল ফুটবোল টুর্নামেন্ট লীগ কপকী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা ষ্ট্রাসবর্গনা গুইনগেম্পপু পেনাল্টি সুট আওটতা পাঞ্জল ৪–১ দা মায়থিবা পীরম্লগা চেম্পিয়ন ওইখ্রে।




নীংশিংবা য়াই, লীগ কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী মমাঙদা শান্নখিবা অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচতা চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রবা ষ্ট্রাসবর্গনা বোরদিওক্সপু পাঞ্জল ৩–২ দা মায়থিবা পীরম্লগা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি।

অতোপ্পা সেমি ফাইনেল মেটচ অমদনা গুইনগেম্প অমদি মোনাকোনা শান্নখিবদা অপীবা মতমগী মনুংদা পাঞ্জল ২–২ দা মান্নদুনা লৈখিবদগী পেনাল্টি সুট আওট তৌনবদা ৫–৪ দা মায় পাক্তুনা ফাইনেল য়ৌরকপনি।

ফ্রান্সকী সিটি লীলেদা লৈবা ষ্টদে পিয়েরি মাউরোইদা ষ্ট্রাসবর্গ অমদি গুইনগেম্পনা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচ অদু হৌবদগী য়াম্না লম্বা মান্নরকখি।

অহানবা হাল্ফ শান্নরকপদা নাকল অনীদগী পাঞ্জল চনশিন্নবা অকনবা এটেক চথনদুনা লাকখ্রবসু মায়কৈ অনীগী দিফেন্দরশিংনা নীংথিনা মায়োক্নদুনা শান্নবা ঙমখিবদগী পাঞ্জল অমত্তা হাপচিনবা ঙম্নদনা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদা ষ্ট্রাসবর্গকী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না তৌদুনা লাকখি। অদুবু গুইনগেম্পকী দিফেন্দরশিংনা ফজবা হেনখিবদগী মেটচকী অপীবা মতম লোইশিনখ্রবা ফাওবদা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লৈখি।

মায় পাকপা টিম খন্নবা এক্সত্রা টাইমগী অহাপ্পা মতম মিনট ৩০ শান্নরকপদসু নাকল অনীদগী পাঞ্জল অমত্তা চনশিনবা ঙম্নখিদবদগী পেনাল্টি সুট আওটতা চেম্পিয়ন টিম খনবগী মথৌ তাখি।

পেনাল্টি সুট আওট অদুদা ষ্ট্রাসবর্গনা গুইনগেম্পপু য়াম্না লায়না পাঞ্জল ৪–১ দা মায়থিবা পীরম্লগা ফ্রান্সতা পাঙথোকপা মকোক থোংবা নেসনেল ফুটবোল টুর্নামেন্ট লীগ কপকী চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখি।

## ইটালিগী সেরি এ ফুটবোল টুর্নামেন্টতা জুবেন্টস অমদি নাপোলি মায় পাকখ্রে, সাম্পদোরিয়ানা মিলানবু পাঞ্জল ১–০ দা থোইখ্রে

*রোম, মার্চ ৩১ঃ*

ইটালিগী মকোক থোংবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট সেরি এ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী লীগ মেটচ অমদা মমাঙগী চেম্পিয়ন জুবেন্টস অমদি নাপোলি মায় পাকখ্রে, সাম্পদোরিয়ানা মিলানবু পাঞ্জল ১–০ দা থোইখ্রে।




মমাঙ সিজনগী চেম্পিয়ন ওইরিবা জুবেন্টসনা ঙসি অঙনবদা শান্নখিবা লীগ মেটচ অমদা ইম্পোলিবু পাঞ্জল ১–০ দা থোইবা ঙমখি।

অহানবা হাল্ফ শান্নরকপদা টিম অনীমক পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা লাকখি। অনীশুবা হাল্ফকী শান্নরকপা মেটচকী ৭২শুবা মিনটতা জুবেন্টসকী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা মোইজ কিননা মেটচকী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমদুনা ১–০ দামায় পাকখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা লীগ মেটচ অমদা নাপোলিনা রোমাবু পাঞ্জল ৪–১ দা মায়থিবা পীরমখি। শান্নবগী ২শুবা মিনটতা নাপোলিগী শান্নরোই এরেক মিলিকনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল চন্দুনা ঙন্না মাঙজিল থাবা ঙমখি।

মতম কুইনা টিম অনীগী মায়কৈদগী অহেনবা পাঞ্জল চনশিনবা ঙম্নদনা লাকখ্রবা মতুং অহানবা হাল্ফকী অরোইবা মিনটতা রোমানা ফংখিবা পেনাল্টি অমদা দিএগো পেরোট্টিনা পাঞ্জল অমা চনশিন্দুনা ১–১ দা মান্নখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা ৫০শুবা মিনটতা ৫০শুবা মিনটতা নাপোলিগী শান্নরোই দ্রাইজ মার্টেন্সনা পাঞ্জল অমা চনশিন্দুনা ২–১ দা মাঙজিল থাখি। মিনট ৫ লৈরগা নাপোলিগী অতোপ্পা শান্নরোই সাইমোন ভরদিনা পাঞ্জল অমগা হাপচিনবা ঙমখি।

মেটচকী অপীবা মতম য়ামশিল্লক্ত্রবা ৮১শুবা মিনটতা নাপোলিগী আমিন য়োন্সনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা মেটচ অদু ৪–১ দা মায় পাকখি।

সেরি এ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা লীগ মেটচ অমদা সাম্পদোরিয়ানা মিলানবু পাঞ্জল ১–০ দা থোইরমখি। সাম্পদোরিয়াগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু শান্নবগী অহানবা মিনটতা গ্রেগোইর দেফ্রেলনা চনবা ঙমখি।

স্পেনগী মকোক থোংবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট লা লীগাগী ঙসি শান্নখিবা লীগ মেটচ অমদা এটলেটিকো মাদ্রিদনা দিপোর্টিভো অলাভেসপু পাঞ্জল ৪–০ দা মায়থিবা পীরমখি।

শান্নবগী ৫শুবা মিনটতা এটলেটিকো মাদ্রিদকী শান্নরোই সাওল নিগ্বেজনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা ১–০ দা মাঙজিল থাখি। ১১শুবা মিনটতা এটলেটিকো মাদ্রিদকী অতোপ্পা শান্নরোই দিএগো কোষ্টানা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা ২–০ দা হেল্লগা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা মেটচকী ৫৯শুবা মিনটতা পাঞ্জল মাঙজিল থাদুনা লৈরিবা এটলেটিকো মাদ্রিদকী শান্নরোই অলভারো মোরাটানা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা ৩–০ দা হেন্দুনা লৈখি। মেটচকী ৮৪শুবা মিনটতা টিম অসিগী শান্নরোই থোমাসনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা মেটচ অদু ৪–০ দা মায় পাকখি।

## ইলাভেনিলনা মিটর ১০গী এয়র রাইফল ইভেন্টতা গোল্ড মেডল লৌখ্রে ইন্দিয়ানা গোল্ড ১২, সিলভর ৪ অমদি ব্রোঞ্জ ২ ফংদুনা মকোক ওইরি

*টাউয়ুৱান, মার্চ ৩১ঃ*

চাইনিজ তাইপৈনা য়ুম্ভু ওইদুনা চথরিবা ১২শুবা এসিয়ান এয়রগন চেম্পিয়ন্সিপকী ঙসি পাঙথোকখিবা নুপীগী মিটর ১০গী এয়র রাইফল ইভেন্টতা ইন্দিয়াগী সুট্টর ইলাভেনিল ভালারিভাননা গোল্ড মেডল লৌখ্রে। ইন্দিয়ানা চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা গোল্ড ১২, সিলভর ৪ অমদি ব্রোঞ্জ মেডল ২ পুন্না মেডল ১৮ ফংলগা খ্বাইদগী মকোক ওইরি।

চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ঙসি পাঙথোকখিবা নুপীগী মিটর ১০গী এয়র রাইফল ইভেন্টকী ফাইনেলদা ইন্দিয়াগী সুট্টর ইলাভেনিল ভালারিভাননা স্কোর ২৫০.৫ ফংলগা গোল্ড মেডল লৌখি।

ইভেন্ট অসিদা চাইনিজ তাইপৈগী সুট্টর লিন য়িং সিননা পোইন্ট ২৫০.২ ফংলগা সিলভর মেডল ফংখি। অদুগা ব্রোঞ্জ মেডল অদুনা সাউথ কোরিয়াগী সুট্টর পার্ক সুনমিননা পোইন্ট ২২৯.১ স্কোর তৌদুনা লৌখি।

মিটর ১০গী এয়র রাইফল মিক্স টিম ইভেন্টতা ইন্দিয়াগী টিম ইলাভেনিল, অপুর্ভি অমদি মেঘানানা পুন্না পোইন্ট ১৮৭৮.৬ স্কোর তৌদুনা খ্বাইদগী মকোক ওইবা ঙমখি। অদুগা চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী য়ুম্ভু লৈবাক চাইনিজ তাইপৈগী পেয়রনা পোইন্ট ১৮৭২.৫ স্কোর তৌরগা অনীশুবা পোজিসন তাখি।

চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ঙসি পাঙথোকখিবা নুপাগী মিটর ১০গী এয়র রাইফলগী ফাইনেল ইভেন্টতা ইন্দিয়াগী সুট্টর দিভ্যান্স সিংহ পনৱারনা পোইন্ট ২৪৯.৭ ফংলগা গোল্ড মেডল লৌখি।

মহাক্কা ইভেন্ট অসিগী ক্কালিফিকেসন রাউন্দদা পুন্না পোইন্ট ৬২৮.২ স্কোর তৌরগা খ্বাইদগী মকোক ওইদুনা ফাইনেল রাউন্দ য়ৌরকপনি।

ইভেন্ট অসিগী সিলভর মেডলনা সাউথ কোরিয়াগী সুট্টর কিমনা পোইন্ট ২৪৭.৪ স্কোর তৌরগা ফংবা ঙমখি। অদুগা সাউথ কোরিয়াগী অতোপ্পা সুট্টর সিননা পোইন্ট ২২৫.৫ স্কোর তৌদুনা ব্রোঞ্জ মেডল লৌবা ঙমখি।

নুপাগী মিটর ১০গী এয়র রাইফল টিম ইভেন্টতা ইন্দিয়াগী টিম্না পোইন্ট ১৮৮০.৭ স্কোর তৌদুনা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখি। ইন্দিয়াগী টিমদা শরুক য়ারিবা সুট্টরশিং অদুদি দিভ্যান্স, রবি কুমার অমদি দিপক কুমারনি।

টিম ইভেন্ট অসিদা সাউথ কোরিয়াগী টিম্না পোইন্ট ১৮৬২.৩ স্কোর তৌদুনা অনীশুবা পোজিসন তাহৌখি।

১২শুবা এসিয়ান এয়রগন চেম্পিয়ন্সিপ অসি হয়েং লোইশিল্লগনি। অরোইবা নুমিৎতা মিটর ১০গী জুনিয়র এয়র রাইফলগী ইভেন্ট পাঙথোক্কনি।

ক্রোসৱার্দ ১১৮ গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| A | H | E | M | ■ | O | P | A | L | ■ | O | P | R | A | H |
| M | A | X | I | ■ | R | E | D | O | ■ | A | R | O | M | A |
| I | R | A | N | ■ | D | R | A | B | ■ | R | O | B | O | T |
| D | E | M | I | ■ | A | I | M | E | D | ■ | ■ | I | R | E |
| ■ | ■ | ■ | M | A | I | L | ■ | ■ | A | T | O | N | E | D |
| A | T | T | A | I | N | ■ | T | O | T | A | L | ■ | ■ | ■ |
| T | R | I | L | L | ■ | R | E | V | E | R | E | N | C | E |
| O | I | L | ■ | M | E | A | N | E | S | T | ■ | E | O | N |
| P | O | L | Y | E | S | T | E | R | ■ | A | M | E | N | D |
| ■ | ■ | ■ | O | N | S | E | T | ■ | S | N | A | R | E | S |
| A | S | T | U | T | E | ■ | ■ | B | O | S | S | ■ | ■ | ■ |
| D | O | E | ■ | ■ | S | M | A | L | L | ■ | C | O | S | T |
| E | R | A | S | E | ■ | A | S | E | A | ■ | A | X | L | E |
| P | E | S | T | S | ■ | D | I | S | C | ■ | R | E | E | D |
| T | R | E | A | T | ■ | E | A | S | E | ■ | A | N | D | S |